মীওই অমখক পোজিটিভ ওইখি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
মার্চ ১১গী নুংথিল পুং ৫দগী মার্চ ১২গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মরক্তা মীওই অমখক পোজিটিভ ওইবা থেংনখি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নৌনা পোজিটিভ ওইনা থেংনখ্রবা মীওই অদু উখ্রুলদগীনি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে। মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ২৯৩১০ শুরে। লায়না লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮৯০৭ য়ৌরে। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৬২নি। অদুগা কেস ৩০না এক্টিভ ওইরি। লোয়নন হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা পূন্না মীওই ৭৪৩২০দা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে হায়রি।

HL Poll

Q: Manipurgi lambi thongsing leingak asigi mari leinaba authorityna matamga chunaba mawongda semle haina loubra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Yaoshang kumheiga mari leinana pangthokkadaba thabal chongba athingba thamkhiba ashi maram chai khanbra?

Yes 87% No 13%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৯৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.০৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২২

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.695257
US Dollar	72.731918
British Pound	101.334687
Australian Dollar	56.382266
Chinese Yuan Renminbi	11.178016
Japanese Yen	0.667027
Malaysian Ringgit	17.664485
Singapore Dollar	54.056196
South Korean Won	0.064032
Saudi Arabian Riyal	19.395178
Thai Baht	2.363261

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up-to : 22/01/21 Valid from 13/01/21.
Home delivery only.........
Contact no. 9089709738, 8794622868
office timing 8.00AM to 11AM will be delivery for 3 days

KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR
Booking up to : 06/03/2021
Valid from : 19/02/2021.
Please contact mobile no. 7085412234
Time: 7:30am to 10:30 am

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 11/02/2021
Valid from 01/02/21
Time 7.30 to 11am

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 05/02/2021
VALID FROM : 01/02/2021
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/ AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 18/02/2021
BOOKING UPTO: 20/02/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 06/02/21
VALID FRROM 03/02/21
5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY
CONTACT NO
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
TIMING 08.00 to 10.00am

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 noon
BOOKING : 19.01.21
VALID : 11.01.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156, 7630902992, 7085198900
ONLY FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 8787630773, 9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

RBD INDANE SERVICE
Booking upto:-31/01/2021
Valid from :- 15/01/2021
Stock :- 480
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon(Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

আর্ট এন্দ কলচর লোইশঙগী বডজেটকী শেনফম হেনগৎলবসু কোন্নদবদগী মিনিষ্ট্রিদগী শেন্থং লৌরগা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাগৎনবা হোৎনগদৌরি

নোংমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা পিল্লবা মণিপুরবু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপদা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা খক্তা নত্তনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু য়োকখৎনবগীদমক লীংলিবা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোইশঙগী বডজেটকী শেনফম শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা হান্নদগী হেনগৎলক্লবসু লোইশঙ অসিনা মসিগা মরী লৈননা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মশীং য়াম্বদগী কোন্নবা ঙম্লক্তদুনা ষ্টেট অসিগী অমখক্তা ঙাইরিবা ‘য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর’ শাগৎনবগীদমক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদগী শেন্থং লৌগদৌরি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা অকক্লবা পাউশিংনা হায়বদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা আর্ট এন্দ কলচর লোইশঙগী বডজেটকী শেনফম অসি কুমজা ২০১৮-২০১৯দদি শুপ্নতগী লুপা ক্রোর ১৭.০৭ খক্তমক ওইরমখিবনি। অদুবু ইথা থাজদনা শেনবা চহী ২০২০-২০২১গী বডজেটতদি লোইশঙ অসিগীদমক্তা লৈঙাক্লা এয়র মার্ক তৌবীবা শেনফম লুপা ক্রোর ৬০দা হেনগৎহল্লকখ্রে হায়রি।

মসিগী মথক্তা শেনবা চহী ২০২১-২০২২গী ওইনসু লোইশঙ অসিগী বডজেটকী শেনফম লুপা ক্রোর ৬০দা হেনগৎহল্লক্লবা অসিগী মথক্তা অতোপ্পা লুপা ক্রোর ১৮ অমগা অমুক হাপচিন্দুনা লুপা ক্রোর ৭৮ ওইহনবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমনা এপ্রুভ তৌখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা শেনফম অসি য়ৌনা হেনগৎলক্লবসু পাক চাউবগী ঙমখে লৈত্রিবা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর লোইশঙনা কোনশিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং য়াম্মনখিবনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর শাগৎনবগীদমক্তদি মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদগী শেন্থং লৌননবা হোৎনরি হায়রি।

লোইশঙ অসিগী বডজেটকী শেনফম অসি হৌজিক্তি হৈক্রু মনাদা য়োম্বমক থোক্ত্রবসু হায়রিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর শাগৎনবা অমসুং মসিগী মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগীদমক্তদি অহেনবা অচৌবা শেনফম অমগী মথৌ তারি হায়রি। শেনবা চহী ২০২০-২০২১গী বডজেটতা লৈখিবা অপূনবা লুপা ক্রোর ৬০গী মনুংদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর শাগৎনবগীদমক ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখাদা লম লৈবদা লুপা ক্রোর ৬ শীজিন্নখ্রে হায়রি।

মসিগী মথংদা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙদা অতোপ্পা লুপা ক্রোর ৪ অমসু শীজিন্নখ্রে। মসিগী মথক্তা লোইশঙ অসিগী এমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তোলোপ পীবা, লোইশঙ অসিনা হান্নদগী পায়খৎতুনা লাকখ্রবা থবক থৌরমশিং অমদি চহীগী ওইনা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংশিংগীদমক লৈজরক্লিবা কেলেন্দরগী মতুংইন্না পাঙথোক্তরবা য়াদবা থবক থৌরমশিংসু য়াওরিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা গুরগাওন্দদা লৈবা আর্ট এন্দ কলচরগী লম অদুগীদমক থিফম থোকপা শেনফমগীদমক লুপা ক্রোর ১৪.৫গী শেনফম অমসু পীথোকখ্রে হায়রি। য়াল্লবা শেনফম অসি মফম অদুদা লৈরিবা লোইশঙ অসিগী লম অদু তঙাইফদনা কন্দুনা থমদবা য়াদবদগী লৌখৎলকপা থৌরাংশিংনি। হৌজিক লোইশঙ অসিনা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরিবা অনৌবা থবকশিংগী মনুংদা মোইরাংদা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মি (আই এন এ) গী নীংশিং খুভমশিং অমসুং আই এন এনা শরুক য়াখিবা মালেমগী লাঞ্জাওগা মরী লৈনবা মফমশিংনি হায়রি।

মসিগী মথক্তা পল্লেলগী অরিবা এয়রফিল্ড, কোইরেঙ্গৈদা লৈরিবা এয়রফিল্ড য়াওনা সংসদ অমসুং অতৈ মফমশিং লৈরিবা বেট্টল ফিল্ডনচিংবশিং শেমগৎ শাগৎনীংবগী ৱাখল্লোন লোইশঙ অসিদা লৈরি হায়রি।

অদুম ওইনমক লোইশঙ অসিনা পায়খৎনীংলিবা অনৌবা থবক থৌরমশিং অসিগা ইরোয়ননা মফমশিং অসিগা শম্নবা লম্বী অমসুং থোংশিংসু তঙাইফদনা অফবা ফীভমদা লৈহন্নবগীদমক শেমদবা য়ারক্তবা লৈরি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগা মরী লৈনবা মফমশিং শেমগৎনবগীদমক্তা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী শেনবা মীফমদা ৱারেপ লৌখিবা অদুগী মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টরদসু ৱারেপ অদুগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা পীশিনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগীদমক শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনবদা তঙাইফদবা কম্পোনেন্টশিং ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ক্লাস রুম, ত্রেনিং হোল/বিল্ডিং, আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈনবা ম্যুজিয়ম, ওদিটোরিয়ম অমসুং লাইব্রেরিগী শরুকশিং য়াওরি। হায়রিবা কম্পোনেন্টশিং অসি শেমগৎ শাগৎনবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদা লুপা ক্রোর ৭৫গী শেনফম পীবিনবা হায়বা লৈখ্রে। হায়রিবা শেনফম অসি লোইশঙ অসিনা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা নবার্দতগী লোন ওইনা লৌগদবনি।

শেনফম অসিগা মরী লৈননা শেমগৎ শাগৎকদৌরিবা অসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (দি দব্লিয়ু দি) না দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি পি আর) শেম শাবা লোইরে। থবক অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনচিংবসু মতেং পাংগনি হায়রি। অদুগা মপূং ওইবা থবকনা ৱার্ক্স দিপর্টমেন্টনা থৌদাং লৌগনি।হৌজিক তৌরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক লৈফম থোকপা মশকশিং লৈহন্নবগী থৌরাংশিং অসিনা মায় পাক্লক্লগদি অমখক্তা ঙাইজরবসু লমদম অসিগী পুক্কে লনগৈ থন্না লৈরিবা আর্ট এন্দ কলচরগী মশকশিং হেন্না মঙাল লৈহন্নবগীদমক য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনসু মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলক্কনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা পিল্লবসু ষ্টেট অসিদা য়ৌরকখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমগা শাগোন্নবা মফমশিং অসি শেমগৎ শাগৎপা ঙম্লবদি মণিপুরবু টুরিষ্ট সেন্টর অমা ওইহনবদা চৎলিবা মচাকশিংদা হেন্না মরু ওইবা শরুক অমা ওইহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লমদম অসিগী মীয়াম্না থম্নরিবনি।

লুপা ক্রোর ১৪৪০ চঙনা পায়খৎকদবা সিৱরেজ প্রোজেক্ট সেন্টরনা অয়াবা পীরক্লে : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা লুপা ক্রোর ১৪৪০ চঙনা পায়খৎকদবা সিৱরেজ প্রোজেক্টকী মতাংদা সেন্টরনা অয়াবা পীরক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকপা টাওন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী ৱেবসাইট লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহুদ মিনিষ্টর ওক্রম হেনরি, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর থোকচোম সত্যব্রত, দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রো, চীফ সেক্রেটরি দা. রাজেসকুমার, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি পি কে সিংহ অমদি টাওন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

ৱেবসাইট লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, গ্রেটর ইম্ফালগী ওইনা কুমজা ২০৪১গী মাষ্টর প্লান য়াওবা জিওগ্রাফিক ইনফোর্মেসন সিষ্টেম (জি আই এস) তা য়ুম্ফম ওইবা ৱেবসাইটনি। মল্টিপর্পজ ৱেবসাইট অসিনা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াদা প্রোপর্টি টেক্স খোমগৎপদা চাওনা মতেং ওইনরগনি। ইম্ফাল এরিয়া নীংথিনা শেমগৎনবগী ৱাখল্লোন্দা চহী অমরোম সর্ভে তৌরবা মতুংদা লৈঙাক্লা ৱেবসাইট লোঞ্চ তৌবনি।

ইম্ফাল সিটিবু সেক্টর কয়া থোক্লা খায়দোকপগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, সিটিগী অকোয়বদা লুপা ক্রোর ১,৪৪০ চঙনা পায়খৎকদবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী সিৱরেজ প্রোজেক্ট সেন্টরনা অয়াবা পীরক্লে। মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা হাওস নম্বর পীবা হৌরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইম্ফাল সিটি শেমগৎপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈঙাক্লা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনবগী অহানবা খোঙথাং ওইনা টাওন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা ৱেবসাইট লোঞ্চ তৌবনি। থৌরাং অসিদা মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎপা তঙায় ফদে। মীপূম খূদিংমক্লা মশা মশাগী য়ূম অমসুং লেন্দ য়ুজ মেপকী মতাংদা অচুম অরান খঙদোক্নবগীদমক ৱেবসাইট www.tpmanipur.mn.gov.in গী মতেং লৌবা য়াগনি হয়রি।

হুই মাপন কনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
হুই হাৎতুনা চাবা লেপ্পনবা লূপ কয়ানা এৱ্যের্নেস পীরবসু মফম খরদি শেন্দাল লম্বী ওইনা হুই হাৎলগা লল্লোনবগী থবক লেপ্তুনা চথরক্লি। হায়রিবা থৌওং অসিমক চথরম্বা মীওই অমা দোগ প্রোটেক্সন সোসাইটি, মণিপুর অমসুং সেকমাই পুলিসকী অপূনবা কাঙবু অমনা ফাগৎখিবগা লোয়ননা হুই মাপন কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

হুই হাৎতুনা লল্লোম্বগীদমক ফারবা মীওই অদুদি সেকমাই অৱাং লৈকায়দগীনি। মীওই অসিগী য়ূমদা হুই খরা ফাজিন্দুনা থম্লে হায়বা পাউ ফংবদগী দোগ প্রোটেক্সন সোসাইটি, মণিপুর অমসুং সেকমাই পুলিসকী অপূনবা কাঙবু অমনা ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা চঙশিল্লুবদা হুই মাপন অদু কনবা ঙমখিবনি। হুই মাপন অদু মখোঙ, মখূৎ পুনশিন্দুনা বোরাখাওদা হাপ্তুনা শারং মনুংদা থম্লম্বনি । থৌদোক অসিগী মতাংদা সেকমাই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

রুদন ব্রিজ খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাবৈশোইদা নৌনা শেমজিনবা চোঙ্গারৌ রুদন ব্রিজ মীয়ামদা খূৎশিন্নবগা লোয়ননা খাবৈশোই কারোংগী মক্তাপকী জি আই সীটশিংসু সোসল ৱার্কর খাগোকপম খম্বনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা খুরাই এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা সোসল ৱার্কর খাগোকপম খম্বনা হায়খি, ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংদা খুরাই এ সী অসি খ্বাইদগী শোংখবা এ সী অমা ওইরে। অৱাৎ অপানা থল্লবা এ সী অসি নৌনা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসিনা মাঙদা থম্লগা ঙসিদি মীয়ামগীদমক থোকচরকপনি। ঙসি শঙ্গারিবা থোং অসিনা খাবৈশোই অমদি কারোং চোঙ্গারৌ অনীগী মরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি।

থৌরমদুদা সেন্ত্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিবাবু, এম দি কাদির, এম ভি শরুকখান, এম দি টালি খান, এম দি অবদুলা অমদি এম দি মুফিজুরসু শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
মণিপুর লৈঙাক্কী ফোর য়রস ওফ সিটিজন সেন্ত্রিক গভর্নেন্স হায়রিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা দিন দয়াল উপধ্যা গ্রামিন কৌসলিয়া যোজনাগী ওইবা রোজকার দিবস অমসুং এমপ্লোইমেন্ট ৱার্কশোপ অমা ঙসি তেকচম গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনবা তেকচম ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট রুরেল লিভলিহুদ মিসনগী দিষ্ট্রিক্ট স্কিলস মিসন থৌবালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তেকচম জি পিগী প্রধান এল ইবোয়াইমা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কোওর্দিনেটর স্কিলস লোয়াঙম্বা মীতৈ অমসুং ৱাংজিং তেন্থা সী দি ব্লোক্কী ক্লষ্টর কোওর্দিনেটর থিংবাইজম জলিয়ানা প্রিসাইদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থাগী ব্লোক কোওর্দিনেটর স্কিলস তোইজম চনু লিম্থোই, থৌবাল সী দি ব্লোক্কী কোওর্দিনেটর স্কিলস সবাস খান অমসুং লিলোং সী দি ব্লোক্কী কোওর্দিনেটর স্কিলস অবিদ হসনসু রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

এম সী এস ওফিসর ২ ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (দি পি) পি ঐচ ভবানন্দ শর্ম্মানা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা এম সী এস ওফিসর অনীগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রবা এম সী এস ওফিসর অনী অদুগী মরক্তা এ দি সী/থৌবাল, পি দি (দি আর দি এ/থৌবাল) অমসুং সী ঈ ও/থৌবাল জেদ পি ওইরম্বা লাইশ্রম রাধাকান্তনা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (দি টি) অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি। অদুগা এ সী টু দি সী ইম্ফাল ইষ্ট ওইরম্বা লোকেশ্বর ব্রহ্মচারিময়ুমনা এ দি সী/থৌবাল, পি দি (দি আর দি এ)/থৌবাল অমসুং সী ঈ ও/থৌবাল জেদ পি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

শকখঙবীখিদ্রবা ফ্রীদম ফায়টরশিং ইকায় খুম্নফম থোকই: এম জয়

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
মীয়াম্না শকখঙবীখিদ্রবা ফ্রীদম ফায়টরশিং ইকায় খুম্নফম থোকই হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলকপা চহী ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ‘অজাদি কা অমরুট মহোতসব’কী থৌরম মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মোইরাংগী আই এন এ মার্টরস মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা পি আই বি গুৱাহাটি এন্দ ইম্ফাল রিজনগী এদিসনল দি জি (এন ঈ জেদ) এস এন প্রধাণ অমদি বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নিতা অরাম্বমসু শরুক য়াখি। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম জয়না হায়খি, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অমরুট মহোতসবতা ফ্রীদম ফায়টরশিং ইকায় খুম্নফম থোকই। হৌখিবা চহী ৭৫গী মনুংদা লৈঙাক্ল। পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহী ২৫দা ইন্দিয়ানা মালেমদা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইবা ঙমহন্নবা হোৎনফম থোকই।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা আই এন এ কমপ্লেক্সতা লৈবা ওদিটোরিয়মদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি রিজনল আওটরিচ ব্যুরোগী আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, জোনেল এদ্যুকেসনল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমদি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ঈশৈ-নোংমাই অমদি জগোয় কয়াসু উৎখি।

লৈঙাক্লা ফাইল তৌরকপা রিভিয়ু পিটিসন দিসমিস ...

লামায় ১গী মখা... হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চ অসিনা জন্যুৱারী ২২, ২০২১দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী সিভিল রিট পিটিসন অদু উরিপোক নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকায়দগী ডা. পি শ্যামসুন্দর (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ইবোতোম্বীনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পিটিসন অদুগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র), এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং ডা. কে রাজোনি।

মহাক্কী রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বরনা ৬৩৮ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অদুদা পিটিস্নর অসিনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা ডা. কে রাজোবু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নবেম্বর ২১, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর অমনা মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ওইহনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নবেম্বর ৭, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর অমনা মমাঙগী কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ৩০দা সুপর এন্যুএসন্দা থবক্তগী পোথারগদবা ডা. কে রাজোগী সর্ভিস অসি হায়রিবা নুমিৎ (নবেম্বর ৩০, ২০২০) তগী টর্মিনেসন তৌরগদবনি হায়খি। অদুম ওইনমক রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ অসিনা সুপর এন্যুএসন্দা সর্ভিসতগী পোথারবা মতুংদা মহাকপু মহাক্লা পুরক্লিবা দিরেক্টরগী ফম অসি কন্ট্রেক্ট বেসিসতা অতোপ্পা থা তরুক অমগা পুহন্নবা লৈঙাক্লা ওর্দর থোক্লকখিবনি। অদুবু হায়রিবা থৌওংশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা মমাঙদা লৌখিবা সুপর এন্যুএসন্দা থবক্তগী পোথারবা গভর্ণমেন্ট সর্ভেন্ট অমবু মসিদগী শাংথনা মহাক্কী সর্ভিস এক্সটেন্সন/রি-এমপ্লোয়মেন্ট তৌরোই হায়বা পোলিসি দিসিজন অমসুং এফ আর ৫৬ (দি) না পীরিবা ষ্টেটুটোরি রুলসকী ৱাংমদনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখিবনি।

পিটিস্নর পি শ্যামসুন্দরগী পিটিসন অদু কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা কোর্টনা ডা. কে রাজোবু সুপর এন্যুএসন্দা থবক্তগী পোথারবা মতুংদা থা তরুক্কী ওইনা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা দিরেক্টর ওইহন্নবগী থোকখিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনা থমখিবনি। লোয়ননা পিটিস্নর অসিবু কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা চয়োল অনীগী মনুংদা মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীননবা দিরেক্সন পীখিবনি।

অদুম ওইনমক হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অদুগী দিরেক্সনশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপগী মহুত্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) অমসুং এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) না পূন্না পিটিস্নরশিং ওইদুনা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা রিভিয়ু পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অসিনা হায় কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুবু শিংনরদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অদুগী নম্বর ৩ ওফ ২০২১নি। কোর্টনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌরক্লিবা রিভিয়ু পিটিসন অদুবুসু লৌখৎখি। লোয়ননা মেট্টর অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি। অদুগা রিভিয়ু পিটিসন অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবা ডা. পি শ্যামসুন্দরগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপখি। পনবা য়াবদি রিভিয়ু পিটিসন অসিগী অতোপ্পা রেসপোন্দেন্ট অমনা ডা. কে রাজোনা ওইরিবনি।

জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপগী মনুংদা মসিগী অরোইবা হিয়ারিং থা অসিগী ৯দা পাঙথোকখি। নুমিৎ অদুদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এ জি অমসুং ডা. পি শ্যামসুন্দরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সিল ঐচ এস পাওনমনা তোঙান তোঙানবা মরী লৈনবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীখিবা কেসশিংগী রুল্লিংশিংগী রিফরেন্স পীরদুনা সবমিট তৌনরকখিবা ৱাফমশিং তাখি। লোয়ননা নুমিৎ অদুদা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা ঙসি বেঞ্চ অসিনা লাউথোকখিবনি।

পূন্না লমায় ২০ পানবা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেলনা সবমিট তৌরকখিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবনি হায়বা জজমেন্টশিং অদু ঙসি ওর্দর লাউথোক্লিবা কেস অসিনা এপ্লিকেবল ওইদে হায়বগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী মেদিকেল এন্দ হেল্থ সর্ভিসেস লোইশঙদা মসিগী দিরেক্টরগী পোষ্টকীদমক লৈজরিবা রিক্রুটমেন্ট রুলশিংদা এনগেজমেন্ট তৌবা অমসুং হান্না ফম অসিবু পুরম্বা মীওই অমবু অমুক হন্না কন্ট্রেক্ট বেসিসতা এপোইন্টমেন্ট পীবগী প্রোভিজনশিং য়াওদে হায়বা রুল্লিং পীখি। মসিগী মথক্তা এফ আর ৫৬ (দি) নসু অসিগুম্বা মখলগী এনগেজমেন্টশিং অসিদা অথিংবা পীরি হায়খি।

মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র অমসুং দি পিগী ওফিসলশিং য়াওনা চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরক্লিবা রিভিয়ু পিটিসন অসি মেরিট লৈতে হায়দুনা দিসমিট তৌরে হায়খি।

ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টতা সর্ভিস রুলশিং থুগাইরব্রা

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):
মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মরু ওইবা লোইশঙশিংগী মনুংদা মপূং ফাবা দিরেক্টোরেট অমা ওইদুনা মেজর দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদা চল্লিবা ইম্ফালগী সঞ্জেনথোংদা লৈরিবা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি (ভেটি এন্দ এ ঐচ) দিপার্টমেন্টতা মসিগী লৈজরিবা অমসুং চহী কয়াগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাক্লবা সর্ভিস রুলশিং থুগাইরব্রা হায়বগী ৱাহংশিং সর্কল খরদগী হংনরক্লি।

পাউচে অসিনা ফংবা ওফিসল দোক্যুমেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইবা পাউনা হায়বদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মসনা কুমজা ১৯৯৪গী ওক্টোবর ১২দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি সর্ভিস রুলস, ১৯৯৪ শেম্লে হায়খিবনি। অদুগা হায়রিবা নোটিফিকেসন অসি মণিপুর গেজেটতা ফোঙবা নুমিৎতগী হৌরদুনা চৎনবা হৌগদবনি হায়নসু পনখিবনি।

নোটিফিকেসন অসিগা ইরোয়ননা লোইশঙ অসিগী সর্ভিস রুল অসি ওক্টোবর ১৭, ১৯৯৪দা মণিপুর গেজেট (এক্সত্রা ওর্দিনরি) নম্বর ২৪৮দা ফোঙদোরকপদগী শেমখ্রিবা সর্ভিস রুলশিং অসি লিশাং শিংনা চৎনদুনা লাকখিবনি।

হায়রিবা সর্ভিস রুল অদুবু ফোঙদোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অদুগী মতুংদা নবেম্বর ১৮, ২০১৩দা ফোঙখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অমদা মতম অদুগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (দি পি) না নবেম্বর ১৪, ২০১৩দা থোকখিবা সর্ভিস রুল অদুদা এমেন্দমেন্ট খরা তৌবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মপূং ওইনা য়েংবদা ওক্টোবর ১২, ১৯৯৪দা শেমখিবা সর্ভিস রুল অদুগী মনুংদা প্রমোসননচিংবগী মতাংদদি থোইদোক্লা এমেন্দমেন্ট অদু কোনশিনখিবা লৈখিদে হায়রি।

অদুম ওইনমক সর্ভিস রুল শেম্লবা মতুংদা গেজেট নোটিফিসেন ফাওবা থোক্তুনা চৎনরক্লিবা লোইশঙ অসিগী রুলশিংগী ৱাংমদা লোইশঙ অসিগী দিরেক্টরগী ফম পুদুনা লাকখিবা ডা. ঐচ চাওববু মহাক্লা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২১দা সুপর এন্যুএসন্দা পোষ্ট অসিদগী পোথাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মহাকপু লোইশঙ অসিগী দিরেক্টর ওইনা প্রমোসন পীথোক্লম্লে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, ওক্টোবর ১৭, ১৯৯৪দগী চৎনদুনা লাকখিবা মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি সর্ভিস রুলস, ১৯৯৪ অদুনা পীবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মখাদা ফেব্রুৱারী ১৮, ২০১৪দা মণিপুর ভেটিরিনরি সর্ভিস গ্রেদ থ্রীদা প্রমোসন পীখ্রবা ওফিসরশিংদগী রুল অসিগী মতুংইন্না চহী ৫ শুরবশিংবু লোইশঙ অসিগী জোইন্ট দিরেক্টরগী লেভেলদা প্রমোসন পীখি।

জোইন্ট দিরেক্টরগী লেভেলদা প্রমোসন পীবগী ওর্দর অদুনা সেক্রেটরিএট : ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টনা ফেব্রুৱারী ৭, ২০২০দা থোকখিবনি। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না জোইন্ট দিরেক্টরগী লেভেলদা লোইশঙ অসিগী ওফিসর/ডাক্টর ১০বু প্রমোসন পীখিবনি। হায়রিবা জেইন্ট দিরেক্টরগী লেভেলদা প্রমোসন পীখিবা মীওই ১০ অসিগী মনুংদা দিরেক্টর ওইরম্বদগী হন্দক্তা রিটায়র্দ তৌখ্রবা ডা. ঐচ চাওবা অসিসু য়াওরিবনি। মহাক য়াওনা মীওই ১০বু প্রমোসন পীখিবগী ওর্দর অদুনা কম্মিস্নর (ভেটি এন্দ এ ঐচ) ঐচ গ্যানপ্রকাসনা থোকখিবনি।

অদুবু, মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি ফেব্রুৱারী ৭, ২০২০দা থোকখিবা প্রমোসনগী ওর্দর মতুংইন্না লোইশঙ অসিগী জোইন্ট দিরেক্টরগী লেভেলদা প্রমোসন পীবদা য়াওখিবা ডা. ঐচ চাওবনা লোইশঙ অসিগী দিরেক্টরগী ফম পুদুনা লাক্লগসু মহাক্কী চহী ২গী প্রোবেস্নরি পেরদ লোইদ্রিঙৈগী মনুং অমসুং মহাক্লা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২১দা থবক্তগী পোথাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ফেব্রুৱারী ২৬, ২০২১দা ওর্দর অমা থোক্তুনা মহাকপু লোইশঙ অসিগী দিরেক্টরদা প্রমোসন পীখ্রিবা করিগীনো হায়বসিনি।

থৌওং অসি লিশাং শিংনা চৎনদুনা লাক্লবা লোইশঙ অসিগী সর্ভিস রলিসকী ৱাংমদনি। লোয়ননা লোইশঙ অসিগী লৈজরিবা সর্ভিস রুলদা দিরেক্টরগী ফম অসিগীদমক প্রমোসন পীবা তারবদি মীওই অদুনা পুরক্লিবা ফম অদুদা য়ামদ্রবদা চহী ৪ সর্ভিস তৌরকপা মীওই ওইগদবনি হায়নসু পল্লি হায়রি।

অদুবু, হায়রিবা থৌওংশিং অসি লোইশঙ অসিগী লৈজরিবা সর্ভিস রুলস অসিনা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিংগী ৱাংমদনি হায়রি। মসিগী মথক্তা নবেম্বর ১৪, ২০১৩দা মণিপুর লৈঙাক্কী দি পিগী মায়কৈদগী থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর ১/১৩/৯১-এম ভি এস/দি পী (পার্ট -এ) গী মতুংইন্না লোইশঙ অসিদা থবক তৌরিবা ওফিসরশিংগী অপাম পামদা অমদি করম করম্বা মতাংদা ভেটিরিনরি সর্ভিস অসি এমেন্দ তৌসিগে হায়বগী নোটিফিকেসন থোক্তনা দেপ্যুটি দিরেক্টর (ষ্টেটিষ্টিক্স) তা প্রমোসন কাবা য়ানবা লৈরিবা ইসেন্সিএল ক্বালিফিকেসনশিং অদুবু এমেন্দ তৌরিবা অসিসু রুলগী ৱাংমদনি হায়রি।

মরম অসিনা লৈঙাক অসি লিংখৎখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা মার্চ ২৫, ২০১৭তা মতম অদুগী কম্মিস্নর (দি পি) না লৈঙাক অসিদা ত্রান্সপরেন্সি লৈনা অমদি ফেবরিটিজম/নেপোটিজম য়াওদনা চলাইগনি হায়খিবা ৱাফমশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ময়েক শেংনা থোকহল্লে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি।

পনবা য়াবদি, সুপর এন্যুএসন্দা রিটায়র্দ তৌখ্রবা দিরেক্টর অসিবু সর্ভিস রুলগী ৱাংমদা মহাক্লা রিটায়র্দমেন্ট তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা নুমিৎ নীনি ঙনখৎলগা দিরেক্টরদা প্রমোসন পীথোকখ্রবসু হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা লোইশঙ অসিগী দিরেক্টরগী থবক থৌরমশিং পুননবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎলক্ত্রি। মসিগী মহুত্তা থা অসিগী ১০দা অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না লোইশঙ অসিগী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি (ভেটি এন্দ এ ঐচ) দা মহাক্লা পুরক্লিবা থবকশিংগী মথক্তা লোইশঙ অসিগী দিরেক্টরগী চার্জ পুহন্নবগী ওর্দর ওইনা থোকচিল্লকখ্রে হায়রি।

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)
#7005622203, 6009124946
ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 12th APRIL 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management, Ex-Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs. Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011. Resecanal Manhunt Manipur 2014. Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015. Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014, Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up, Miss Ougri Photogenic 2015, Miss Manipur Queen 2017, Miss India Manipur 2017
Computer Courses : 100% Job Placement Assistance
Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March